HUEIYEN LANPAO

অমহারা রিজনগী মনুং চনবা দেসি টাউন খুদুম চল্লে হায়না টি পি এল এফনা ক্লেইম তৌখ্রে

টিগ্রে, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী) :

টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্টনা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিংগী মনুং চন্না টিগ্রে রিজনগা থংননা লৈরিবা অমহারা রিজনগী মনুং চনবা দেসি টাউন কন্ত্রোল তৌবা ঙমখ্রে হায়না রেবেল গ্রুপ অসিনা ক্লেইম তৌরকখ্রে। রেবেল গ্রুপ অসিনা ক্লেইম তৌরকখিবা ৱাফম ইথিওপিয়া গভর্নমেন্টনা য়াখিদবগা লোয়ননা সিটি অসি হৌজিকসু গভর্নমেন্ট ফোর্সনা কন্ত্রোল তৌদুনা লৈরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্টকী ৱাঙাংলোয় গেটাচ্যু রেদানা ফোঙদোকখিবদা, টিগ্রে ফাইটরশিংনা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংবু দেসি সিটিদগী কোমবোলচা টাউনলোমদা তকথোকপা ঙমখ্রে। গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং মফম অদুদগী তকথোকপা ঙমখিবগা লোয়ননা লান্মী কয়াসু রেবেল গ্রুপ অসি ফাজিন্দুনা থল্লি।

অমরোমদা গভর্নমেন্টকী ৱাঙাংলোয় লেগিসি টুলুনা ফোঙদোকখিবদা, রেবেল গ্রুপশিংনা দেসি সিটি কন্ত্রোল তৌরে হায়না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু অরানবনি। সিটি অসিদা হৌজিকসু গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং হান্নগুম মথৌ তৌদুনা লৈরি। মীয়ামদা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা রেবেল গ্রুপ অসিনা মশাগী ওইজবা খরা ফংনবগীদমক চথরকপা থৌওংশিংগী মনুংদা অমনি। মসিদা ইথিওপিয়াগী মীয়াম্না থাজবা তৌরোইদবনি। রেবেল গ্রুপ অসি মপুঙ ফানা রিজন অসিদগী তকথোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

দেসি টাউনদা লৈরিবা মীওইশিংনা ফোঙদোক্লরকখিবগী মতুংইন্না, হৌখিবা থাংজ নুমিত্তগী গভর্নমেন্ট ট্রুপশিং সিটি অসি থাদোক্তুনা চৎপা হৌনখ্রে। মসিগী মমাংদা টি পি এল এফ অমসুং গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখি। গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং মফম অদু থাদোক্তুনা চৎপা হৌনখ্রবা মতুং মশিং য়াল্লবা টিগ্রেয়ান রেবেলশিংনা ইথিওপিয়ান নেসনেল দিফেন্স ফোর্সশিংগা লোয়ননা সিটি অসিদা চঙশিনবা হৌরকখিবনি হায়রি।

রেবেল গ্রুপশিংনা ঙসি কন্ত্রোল তৌরে হায়না ক্লেইম তৌরিবা সিটি অসি ইথিওপিয়াগী য়াম্না মরুওইবা সিটিশিংগী মনুংদা অমনি। মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং মখা তানা করি থোক্লক্কদগে তম্বা ঙমদবনা মরম ওইরগা লৈবদা মীপাইবা ফাওনরি। খরা অমদি মফম অদু থাদোক্তুনা চৎপা হৌনখ্রেসু হায়রি।

খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদগী অহুম শিরে

খারটোম, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী) :

সুদানদা হান্না লৈরম্বা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাকপু ইন্থুরবা মতুং মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকহনখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী কোনুং খারটোমদা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজং অদুবু কন্ত্রোল তৌবগী মিংদা সুদান আর্মিনা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৩ শিরে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থবক থৌওংশিং চথখিবা লৈতে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সুদান মিলিটরিগী মকোক থোংবা জেনরেল অবদেল ফটা অল-বুরাননা প্রাইম মিনিষ্টর অবদালা হমদোককী কেবিনেটপু লৌথোকখিবগা লোয়ননা মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা হোৎনরকখিবগী থৌওং অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

ঙসিসু মশিং য়াল্লবা মীওই কয়া লৈবাক অদুগী কোনুং খারটোমগী মরুওইবা লম্বীশিংদা হৌনরুবা তৌদনা থোরক্লগা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুনা মখুত্তা লৈবাক অদুগী ফিরালশিং পায়দুনা লম্বীদা চৎখি। মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক মীয়াম্না পামদে, লৈবাক অসি ঐখোয়গীনি অদুগা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্তি মীয়ামগী ওইগদবনি হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি। মসিদা নত্তনা হৌজিক হৌজিক মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা থাদোরক্কদবনি হায়বা খোল্লাউশিংসু লাউখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা হান্না লৈরম্বা লৈঙাক্কী মীহুৎ অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মিলিটরি রুলগী মখাদা লৈবাক অসিদা কৈদৌনুংদা ঈং তপ্পা পুরকপা ঙম্লোই। লৈবাক অসিদা দিমোক্রেসি অমুক হন্না পুরক্লবা হোৎনবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী থৌদাংনি। মিলিটরিগী ওইবা থৌওংশিংদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অকিবা পোক্লাইদবনি। মীয়ামগী রাইট ফংনবা হনবা লৈতনা হোৎনগদবনি হায়রি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌজিক ফাওবদা থোকখিবা মীয়াম অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিং উংখৎনবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখ্রে, কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে। মীয়ামগী ওইবা খোঙজং অদু নমথনবা হোৎনরদুনা মিলিটরিনা পায়খৎলকপা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা মফম খরদা টেলিফোন অমদি ইন্টরনেটগী খুদোংচাবা লৈহনখিদ্রে। খারটোমগী মরুওইবা মফম কয়াদা আর্মি অমদি মশিং য়াল্লবা পেরা মিলিটরি রেপিদ ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌদুনা থমখ্রে হায়রি।

লায়রবা লৈবাকশিংদা কানাদানা কোভিদ ভেক্সিন মতেং পীগদৌরি

মোন্ত্রিল, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী) :

মালেমগী ওইনা লৈরিবা ইকনমিগী ফিভমদা শোথনা লৈরিবা লায়রবা লৈবাকশিংদা য়ু এন অমদি ঈ য়ুনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মতেং পাংনবা ফিরেপ লৌখ্রবা মতুং কানাদানাসু লায়রবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ২০০ লেম্না মতেং পাংলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ট্রুদেনা ফোঙদোকখিবদা, লাক্লিবা কুমজা ২০২২ গী অরোইবা ফাওবদা লায়রবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন পীনবা শেম শাবা হৌখ্রে। লৈবাক অসিনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা অহেনবা মতেং পাংনবা পান্দমসু থল্লি। ৱার্ল্ড পৱারশিংনা থা খরগী মমাংদগী ইকনমিগী ফিভম শোথনা লৈরিবা লৈবাকশিং খন্দোল্লগা মতেং পাংবগী থবক চথুদুনা লাক্লি। হায়রিবা অসিগী মনুংদা মোর্দরনা ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ১০ দি অথুবা মতমদা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা য়ৌহনখ্রগনি।

মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা অহানবা ওইনা চৈথেং পীরকখিবা অদুদা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং ফংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা কানাদাসু অমনি। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থেংনখিবা অৱাবশিং অতোপ্পা লৈবাক্কী মীয়াম্না চপ মান্ননা থেংনরিবনি। মরম লৈতনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া লায়না লায়চৎ অসিনা শিহনখ্রে। মসিদগী ঙাকথোক্লবা ৱার্ল্ড পৱারশিংনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অদুদা মতেং পাংশিনবনি হায়রি।

অমরোমদা সাউথ অফ্রিকানা ফোঙদোকখিবদা, রোমদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা কানাদাগী দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টরসু ওইরিবা ফাইনান্স মিনিষ্টর খৃষ্টিয়া ফ্রিলেন্দনা লৈবাক অসিদা দোলর মিলিয়ন ১৫ শেলগী তেংবাং ওইনা পীরগনি হায়না ফোঙদোল্লমখ্রে। মসি সাউথ অফ্রিকাগী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবনি। কোভিদ-১৯ খক্তা নত্তনা অতোপ অতোপ্পা মহৌশাগী ওইবা য়েখায় থিনগায়বগী থৌদোকশিংনসু লৈবাক অসিদা চৈথেং কয়া পীরি।

টালিবান লৈঙাকপু রিকগনাইজ তৌদ্রবদি প্রোব্লেম কয়া থোক্লককপা য়াই : টালিবান

কাবুল, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদা নৌনা শেমখ্রবা টালিবানগী ওইবা লৈঙাক অদুবু মালেমগী লৈবাকশিংনা রিকগনাইজ তৌদনা লৈরিবা অদুবু টালিবাননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা ফিভম অসিদা লৈরবদি তুংদা মালেমগী লৈবাকশিংদা প্রোব্লেম কয়া থোক্লককপা য়াই হায়না টালিবাননা য়ু এসতা খঙহনখ্রে।

টালিবান লুচিংবশিংনা রৈম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী লৈবাকশিংনা নৌনা শেমখ্রবা টালিবানগী লৈঙাক অসিবু রিকগনাইজ তৌদ্রিবা ফাওবা অফঘানিষ্টানগী ৱাথোক লোইশিনবা ঙম্লোই। অফঘানিষ্টানগী ৱাথোক মতম চানা লোয়শিনবা ঙমদ্রবদি তুংদা লাক্কদবা চহীশিংদা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা প্রোব্লেম লাকপা য়াই।

টালিবান অমসুং য়ু এসকী মরক্তা মতম শাংনা খুৎ থোক্লদুনা লাকখ্রিবা অদুসু নাকল অনীগী মরক্তা ফোর্মেল ওইনা ৱারী শাদুনা দিপ্লোমেটিক ওইবা মরী থমদবননি। কুমজা ২০০১ গী সেপটেম্বর থাদা অল কাইদানা য়ু এসতা চথখিবা এটেক অদুগী লমন খুম্বা ওইনা হায়রিবা চহী অদুমক্তদগী য়ু এসনা অফঘানিষ্টানদা লৈদুনা টালিবানগা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকপা হৌরকখিবনি। মতমদুদা লৈরম্বা টালিবান লৈঙাক্না অল কাইদাগী লুচিংববু য়ু এসতা শিন্নৌ হায়বা য়াখিদবদগী নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা হৌরকখিবনি।

অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোকহল্লোই হায়রবদি অঙম তান্নবগী মহুত্তা ৱারী শান্নদুনা অমদি পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শাদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগনি। মসি টালিবাননা মালেমগী লৈবাকশিংদগী তমখিবা পরানি। মরম অদুনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা টালিবানগী লৈঙাক অসিবু শকখঙদুনা অফঘানগী মীয়াম্বু ইকাইখুম্নবা উৎকদবনি হায়রি।

অমরোমদা চাইনা অমসুং পাকিষ্টাননদি টালিবানগী লৈঙাক অদুবু রিকগনাইজ তৌখ্রে। পাকিষ্টানদা লৈবা অফঘান এম্বেসিদা টালিবান এনভোয়শিং মথৌ তৌবদা অয়াবা পীখ্রে। টর্কমেনিষ্টানগী ওইনসু অফঘানিষ্টানদা নৌনা শেমখ্রবা টালিবান লৈঙাকপু অথুবা মতমদা রিকগনাইজ তৌরবা য়ানা লৈরি। হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানবগীদমক টর্কমেন ফোরেন মিনিষ্টর রাসিট মেরেদো ঙরাং কাবুলদা থুংখিবগা লোয়ননা টালিবান লুচিংবশিং উন্নদুনা ৱারী শাবা হৌখ্রবনি।

পনবা য়াবদি চহী অসিগী ওগষ্ট থা ময়ায় চল্লকপদা নোংচুপ লৈবাক্ল। সপ্পোর্ট তৌরম্বা অফঘানিষ্টান লৈঙাকপু টালিবানশিংনা মায়থিবা পীদুনা টালিবানগী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবনি।

য়েমেনগী ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই কয়া শিখ্রে : রিপোর্ট

সানা, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী) :

য়েমেনগী অদেন ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট এন্ত্রান্সতা ঙসি খঙহৌদনা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিখ্রে অদুগা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না লোকেল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা এয়রপোর্ট ওথোরিটিনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। লন্নাই মীওই নৎত্রগা গ্রুপ অমনা অতম্ননা এটেক অদু চথখিব্রা হায়বগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা থিজিনবা হৌখ্রে। এয়রপোর্ট অদুগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা মেইন গেটতা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুদুনা লাকখিবা অপীকপা ট্রক অমা খঙহৌদনা পোকখায়রকখিবনি।

থৌদোক অদুদা মীওই ১২ শিখিবগা লোয়ননা মীওই ৮ অশোক অপন নংখি। থৌদোক্তুদা শোক্লবা মীওইশিংগী মনুংদা অনীগী ফিভম লুনা লৈরি। মখোয় গভর্নমেন্ট হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথুরি। শিখ্রবশিংগী অদুগী মনুংদা ১ দি হোস্পিটালদা পুখৎলক্লবা মতুংকা হেন্না শোকখিবনা মরম ওইরগা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

অদেন সিটি অসি ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা রিকগনাইজ তৌবা য়েমেন গভর্নমেন্ট ওফিসলশিং মরুওইবা লৈফম অমা ওইরি। হায়রিবা সিটি অসিদা ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা টার্গেট তৌদুনা য়াম্না তোয়না এটেকশিং চথুরি। সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সনসু হৌথি রেবেলশিংবু লৈবাক অদুদগী তকথোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা লাক্লি।

মমাং থাদসু হৌথি রেবেলশিংনা সাউর্দন ট্রাঞ্জিসনেল গভর্নমেন্টকী মেম্বর অমা ওইরিবা অদেন সিটিগী গভর্নরগী কনভোয়দা টার্গেট তৌদুনা এটেক চথখি। এটেক অদুদা গভর্নর মশা য়াওনা মীওই ৬ শিখি অদুগা খরনা অশোক অপন নংহনখি। ঙসিগী থৌদোক অসিসু হৌথি রেবেলশিংনা চথখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

পনবা য়াবদি য়েমেন মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফিভম শোক্লবা লৈবাক অমনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ঙল্লিঙৈ মতমদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়েমেন মনুংদা থোক্লিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং মতম খরা লেপ্পবা খঙহনখিবসু লৈরবনি।

ইল্লিগেল ওইবা খোঙজং অথিংবা থল্লে : ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রি

অলজেরিয়া, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী) :

অলজেরিয়াদা চহী অমরোম চুপ্পা দিমোক্রেটিক রিফোর্ম তৌনবগীদমক চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অদুবু লোইশিনহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক অদুদা অনওথোরাইজ ওইবা প্রোটেষ্ট খুদিংমক অথিংবা থল্লে হায়না লৈবাক অদুগী ইন্তরিয়র মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মীওই কয়ানা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখি। কোভিদ-১৯ গী অকিবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ মরক অসিদা মীয়াম্না গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা কোরোনা ভাইরসকা মরী লৈনবা গাইদ লাইনশিং ঙাক্লা চত্তবা অমদি খোঙজংশিংনা মরম ওইরগা চথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনখিবা অদুগী য়েংলগা অথিংবা থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরগা লৈবাক অদুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অবদেলাজিস বৌটেফ্লিকাগী মায়োক্তা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। মীয়াম্না চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী মতুং ইন্না হান্নগী প্রসিদেন্ট অবদেলাজিসনা মহাক্কী প্রসিদেন্ট ওইবগী মতম শাংদোক্লবা হোৎনখিবা অদু মায় পাকহনখিদবগা লোয়ননা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা চহী অদুমক্কী দিসেম্বর থাদা খনখ্রবনি।

অদুমওইনমক মীয়াম্না মখোয়গী খোঙজং হন্দোকপগী মহুত্তা অহেনবা দিমান্দ কয়া তৌরদুনা খোঙজং মখা তানা চঙশিল্লকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদসু অয়েৎপা পীরকপদগী অনওথোরাইজ ওইবা খোঙজংশিং থিংনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না ইন্তরিয়র মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হরিস কোভিদ বুষ্টর কাপখ্রে

ৱাশিংটন,ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী) :

মালেমদা অকনবা চৈফূ পীরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনরকপগী খোঙথাং অমা ওইনা য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হরিশসু ঙরাং কোভিদ-১৯ ভেক্সিন বুষ্টর কাপখিবগা লোয়ননা অমেরিকানশিংনসু চিংনবা লৈতনা বুষ্টর শোটশিং লৌনবা লুচিংবী অসিনা আপিল তৌরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ভাইস প্রসিদেন্ট হরিশনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি ঐ কোভিদ বুষ্টর কাপথোক্লুরে। হকচাংদা ইফেক্ট অমত্তা লৈতে। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না কোভিদ ভেক্সিন বুষ্টর কাপ্পদা মিপাইবা পোক্লিবা অদুগী য়েংলগা মহাক মশা হান্না বুষ্টর অসি মীয়াম মমাংদা কাপখিবনি। য়ু এসতা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপা হৌরকখিবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রবশিংগী মনুংদা চাদা ৯০দি ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওই ঙাক্তনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী চাদা ৫৮ খক্তমক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফুল দোজ কাপথোকখ্রে। অদুবু অমেরিকান কয়াদি ভেক্সিন কাপথোক্তনা লৈরি। মসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৭,৪৫,০০০ শিহনখ্রে। করিগুম্বা মতম চানা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ভেক্সিন কাপথোক্লম্লবদি ফীভম অসি য়ৌনা শিরমদবসু য়াই হায়রি।

য়ু এস এম্বেসি মনাক্তা রোকেট ৩ কাপশিল্লকখ্রে

বাঘদাদ, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী) :

ইরাককী কোনুং বাঘদাদতা লৈবা য়ু এস এম্বেসি মনাক্তা রোকেট অহুম কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথরকখ্রে। অদুবু লাইবক ফবদগী থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংহৌখিদ্রে হায়না ইরাকি সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, বাঘদাদকী মন্সুর দিষ্ট্রিক্টতা রোকেট অহুম অদু তাশিল্লকখিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি রোকেটশিং অদু কনানা মফম অদুদা কাপশিল্লকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। গ্রুপ নৎত্রগা ইন্দিভিদ্যুয়েল অমত্তনসু ক্লেইম তৌরকপা লৈত্রি।

বুল ফেষ্টিবেলদা মীওই অমা ষন মচিনা থিনবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী) :

স্পেনদা খ্বাইদগী চাওনা পাঙথোকপা কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বুল ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াখিবা মীওই অমা ষন মচিনা থিনবগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা বুল ফেষ্টিবেল মতম শাংনা পাঙথোক্তনা লাকখ্রবা মতুং কোভিদকা মরী লৈননা থল্লম্বা অথিংবশিং হেক লৌথোকপা হৌখিবগা বুল ফেষ্টিবেলশিং লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লবা হৌরকখিবনি। কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা অথিংবা থম্লুরবা মতুং কুম্মৈ অসি পাঙথোকপা হৌখ্রবা মতুং মীশি মীনা থোকপগী থৌদোক অসি হুদক্কী অসিনা অহানবনি।

ওনদাদা ঙরাং পাঙথোকখিবা বুল ফেষ্টিবেল অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী মনুংদা অমা ষননা তান্নবা ফংদনবা হোৎনরিঙৈদা খোঙফম শোয়বদগী লৈমায়দা তুখি। খুদক্তা মহাক্কী মপা ওইনা চেল্লকখিবা ষন অদুনা মনঙ্গনদা থিন্দুনা লৈমায়দা নমশিনখি। মীয়াম্না ষন অদুবু তাম্থোক্লবা হোৎনরবসু ঙমখিদে। মশাগী চহী ৫৫ রোম শুরবা মীওই অদু অশোকপনা মরম ওইরগা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

খূৎলাই পায়বা মীওই কয়া ফিলিপ্পিন্সকী শরুক্তা চঙশিল্লকখ্রে

মনিলা, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী) :

বাংসামোরো ইস্লামিক ফ্রিদম ফাইটরস (বি আই এফ এফ) গ্রুপকী মেম্বরশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবা কয়া ফিলিপ্পিন্সগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা টাউন অমদা চঙশিল্লকখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়ননা খূৎলাই পায়বা মীওইশিং মফমদুদা চঙশিল্লকখ্রে হায়বগী পাউ ফংবদগী লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মফমদুনা লৈরম্বা মীওই কয়া ময়ুম থাদোক্তুনা অতোপ্পা খুদোংচাগদবা মফম অমদা লৈহনখ্রে হায়রি।

মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না দাটু পপ্লস টাউনদা বি আই এফ এফকী মেম্বর ২০০ রোম থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা চঙলকখিবনি হায়রি। মফম অদুদা খূৎলাই পায়বা লালহৌবশিং অদু চঙলকখ্রবা মতুং অকোয়বদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খূৎলাই পায়বা লালহৌবশিং অমদি সেক্যুরিটি ফোর্স অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী পাউ লৈত্রি। সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী অহেনবা খোঙথাংশিং পায়খৎপসু লৈত্রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মিলিটরিগী ৱাঙাঙলোয় লেফটনেন্ট কোলোনেল জোন পোল বালদোমরনা ফোঙদোকখিবদা খূৎলাই পায়বা মীওইশিং অদুনা টাউন অদুদা লৈবা পব্লিক মার্কেট অমা ওকুপাইদ তৌখ্রে অমদি মফমদুদা মখোয়গী দিফেন্সিভ পোজিসন শেমদুনা লৈখ্রে।

কৈথেল অদুদা লৈবা মীওইশিং অমদি দুকান ফল্লিবশিং হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মফমদুদগী থোরকপা লৈত্রি অমদি খূৎলাই পায়বশিং অদুনা মখোয়বু থোকপদা অয়াবা পীরি। খূৎলাই পায়বা মীওইশিং অদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অহেনবা থবক থৌওং চথরকপা লৈত্রি। মখোয় দরকার লৈবা পোৎলমশিং লৈনবগীদমক কৈথেল অদুদা চঙলকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

মাগুৱিনদনাওগী হান্না গভর্ণরসু ওইরম্লবা কোংগ্রেস মেম্বর ইস্মেল মাঙুদাদাটুনা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্টকী অহানবা ওইনা পায়খৎকদবা খোঙথাংদি মফমদুদা লৈরিবা মীয়াম্বু তেক্তা কায়দনা রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনবনি। ইদ-উল-ফিটর নকশিল্লকপগা লোয়ননা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীওই কয়া হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লগদবগী ঙাইদুনা লৈরিবা মতমনি।

পনবা য়াবদি ফিলিপ্পিন্সনা ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী অচৌবা রেবেল গ্রুপ অমা ওইরিবা মোরো ইস্লামিক লিবরেসন ফ্রন্ট (এফ আই এন এফ) কা পিছ এগ্রিমেন্ট অমা তৌনখিবা অদুগী মায়োক্তা বি আই এফ এফনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

বি আই এফ এফনা ইরাককী ইস্লামিক্ক ষ্টেট অমসুং আই এস আই এসকা খূৎশম্নরগা চৎমিন্নরগনি হায়না হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। হায়রিবা রেবেল গ্রুপশিং অদুগা খূৎশম্নরগা বি আই এফ এফনা করি তৌরক্কদগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। বাংসামোরো ইস্লামিক ফ্রিদম ফাইটরশিং অসি অয়াম্বা মতমদা য়াম্না ঈংনা চিক্লা লৈবা গ্রুপ অমনি। রেবেল গ্রুপ অসিনা মীয়াম তিনবা মফমদা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথদুনা মীশি মীনা অমদি অকায় অতোই থোকহনবগী থবক কয়া তৌদ্রি। অদুমওইনমক আই এস আই এস অমদি ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকা পুনখ্রবা মতুং করি তৌরক্কদগে হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না হংনরিবা ৱাহং অমনি।

ইজরেলনা মিসাইল কয়া কাপশিল্লকখ্রে

দমাস্কস, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী) :

সিরিয়াগী কোনুং দমাস্কস তম্না ইজরেলনা মিসাইল কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চথরকখ্রে। অদুম ওইনমক সিরিয়াগী এয়র দিফেন্স সিষ্টমনা মিসাইলশিং অদু লৈমায় য়ৌরক্ত্রিঙৈদা নোংথক্তা মাঙহনবা ঙমখ্রে হায়না ষ্টেট মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মিলিটরিগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি ইজরেলনা হৌখিবা থা খরা অসিদা সিরিয়া তম্না মিসাইলশিং কাপশিন্দুনা এটেক চথবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না চথুরি। ঙসিসু মিসাইল কয়া কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথনবা হোৎনরকখিবনি। সিরিয়ন এয়র দিফেন্স সিষ্টমনা নোংথক্তা মিসাইলশিং অদু মপূং ফানা মাঙহনবা ঙমখ্রবসু মদুদগী পাইথোরকখিবা মচেৎ-মকায়না পানবদগী সিরিয়ন সিক্যুরিটি পর্সনেল অনী মাইনর ওইনা অশোক-অপন নংখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা সিরিয়াদা বেজ তৌবা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমদা ইজরেল মিলিটরিগী ৱাঙাংলোয় অমনা হীরম অসিগী মতাংদা পাউখুম পীবদা মতাং চাদে হায়না খুল্লকখি হায়রি।